# শান্নবা থাদোক্লগা পোলিটিকেল কেরিয়রদা হেন্না মিৎয়েং থল্লগনি : পেকক্বিআও



জেনরেল সান্টোস, জন্যুৱারি ১১ ঃ
ফিলিপিনো বোক্সিং চেম্পিয়ন মেন্নি পেকক্বিআওনা লাক্লিবা এপ্রিল থাদা টিমোথি ব্রেদলিগা থিনদৎনরবা মতুংদা মহাক্কী লেজেন্দরি কেরিয়র অসি লোইশিন্দুনা পোলিটিকেল কেরিয়রদা হেন্না মায় ওনশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লেমজনিংঙাই ওইরবা ৱর্ল্ড টাইটেল নিপানলক লৌখ্রবা অমদি প্রসিদেন্টগী মীরেপ ওইনবগী অশা চাউনা লৈরিবা পেকক্বিআওনা হায়খি, মহাক্না লাক্লিবা মে থাদা সিনেট সিটকী ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীরেপ ওইদুনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা লৈ হায়খি।

পেকক্বিআওনা হৌখিবা চহীগী মে থাদা বোক্সিং মশান্নগী খ্বাইদগী ইনাক খুল্লবা ফাইটতা মহাক্কী অচৌবা য়েক্লবা অমা ওইরিবা মেৱেদরগী মখুৎতা মায়থিহৌরবা মতুং অহুমলকশুবা ওইনা অমেরিকান ৱেলটরৱেথ ব্রেদলিগা চহী অসিগী এপ্রিল ৯ দা মায়োক্নদুনা থিনদৎনগনি।

ঐহাক্না ঐগী পোলিটিকেল কেরিয়রদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা ঙম্ন বা বোক্সিংদগী পোথারগনি। লাক্লিবা এপ্রিল ৯ দা টিমোথি ব্রেদলিগা থিনগাইনগদৌরিবা অসিনা ঐগী পুন্সিগী অরোইবা লম্বানবা হায়বদু ওইরগনি হায়না পেকক্বিআওনা মহাক্কী ময়ুমদা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবা ফিলিপিন্সকী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অসিনা মহাক মশামকপু মায়থিবা পীরল্লবা মতুং বোক্সিংদগী পোথাখ্রবা অমেরিকাগী মেৱেদরগা অমুক হন্না রিংদা থিনদৎনদ্রিমখৈ মশান্না অসিদগী পোথাখিরোই হায়না তৌনখিবা রিপোর্ট অদুবু পেকক্বিআওনা য়াখিদে।

ঐনা অদুগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়খিবা লৈতে। হীরম অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনসু ঐঙোন্দা ইন্টরভিয়ু লৌখিবসু লৈতে। ঐগী এপ্রিল ৯ গী ফাইট অসি লোইরবা মতুংদা ঐনা পোথারগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

লায়ররবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবা পেকক্বিআওনা মহাক্কী শাংলবা চহী ২০ গী প্রোফেসনেল কেরিয়রদা নোকআউট ৩৮ য়াওনা ফাইট ৫৭ মায় পাকখি। মদুদা ফাইট তরুক্না মায়থিখি অদুগা অনীনা দ্রো চৎখি। মহাক হৌজিক সরাঙ্গানিগী খা থংবা প্রোভিন্সতগী ইলেক্সনদা মায় পাক্লত্তুনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরিবনি। সিনেট অমা ওইবসি ফিসিপিন্সকীদি মহৌশাদগী চৎনবী অমা ওইনা তুংগী প্রসিদেন্সিএল কেম্পেন ওইরিবনি।

হৌজিক প্রসিদেন্টকী পোষ্ট পায়রিবা বেনিগনো এক্বিনো য়াওনা মমাঙগী ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট অহুমবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওফিসকী থৌ পুনবা খনদ্রিঙৈদা সিনেটরশিং ওইরমখি। ঙা য়োন্দুনা হিংলম্বদগী মালেমগী অফাওবা বোক্সর অমা ওইরকখিবা পেকক্বিআও অসি মহাক্কী পুন্সিগী ৱারীনা ফিলিপিন্সকী মীয়াম্বু লমজিংবসু ওইরি। মহাক্না রিংদগী পোথাখ্রবা মতুং ফিল্ম, টেলিভিজন অমসুং প্রদক্সনগী থবক থৌরমশিংসু পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি।

# অকমালনা কিৰিগা শান্নগদবা টি ২০ গী মেচ অমা শান্নদনবা অথিংবা থমখ্রে



করাচি, জন্যুৱারি ১১ ঃ
পাকিস্তানগী বেটসমেন উমর অকমালনা করাচিদা শান্নখিবা দোমেষ্টিক মেচ অমদা আই সি সিগী দ্রেস কোদ ঙাক্না চৎতে হায়বগীদমক মেচ অমা শান্নবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবদগী লৈবাক অসিনা জন্যুৱারি ১৫ দা ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা অহানবা টুয়েন্টি ২০ মেচতা য়াওবা ফংলরোই।

উমর অকমালগী মথক্তা অথিংবা থম্বগী মতাংদা পাকিস্তানগী হেদ কোচ ওইরিবা ৱাকর য়ৌনিসনা হায়খি, অকমালনা সুই নোদর্ন গ্যাসকীদক শান্নখিবা কুইদ-ঈ-অজাল ট্রোফিকী ফাইনেল মেচতা আই সি সিগী কোদ থুগায়রুবগীদমক পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) না অথিংবা অদু থমখিবনি।

মেচ অদুগী রেফ্রি ওইখিবা অনৱার খাননা অকমালবু মেচ অদুদা লোগো অনী শীজিন্নবগীদমক্তা অনীরক ৱার্নিং পীখি অদুবু মহাক্না মদু থৌওইখিদে হায়না ন্যুজিলেন্দ টুরগীদমক খোঙশান্দ্রিঙৈদা ৱাকর য়ৌনিসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, অকমালনা মহাক্কী হৈনবী লমচৎ অদু থাদোক্লগা লৈবাক অসিগীদমক ফজনা শান্নদুনা মথৌ নিংথীনা পাঙথোকপা মতম ওইরে। মহাক মশান্না অসিদা কুমজা ২০০৯ দগী শান্নদুনা লাকখ্রে অমদি হৌজিক টিম অসিদা মহাক্কী মফম কঞ্জদুনা লেপ্পা লৈতনা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। অসিগুম্বা করিসু কান্নদবা ৱাথোকশিং অসিদা অকমালনা য়াওশিল্লম্বা হায়বসি টিম মেনেজমেন্টতা অরেম্বদা মথা শাহল্লে। মসিনা মহাক্কী ক্রিকেট কেরিয়রদা মাঙজবদা নত্তনা মশান্না অসিদা পুক্নিং চঙগদবা অদু তায়োন্নহল্লে হায়না হান্নগী পাকিস্তানগী কেপ্টেন ওইরম্বা ৱাকরনা মখা তাখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ মতুংদা ৱাকরনা পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) তা চেরোল অমা পীশিন্দুনা উমর অকমাল অমসুং ওপনর বেটসমেন অহমেদ সেহজাদপু মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ হোংদোক্ত্রিমখৈ নেসনল টিমগীদমক খনগৎতনবা খঙহনখ্রবসু নেসনল সেলেক্টরশিংনা শান্নরোয় অনীবু অমুক হন্না খনখি।

পাকিস্তান টিম মেনেজর ইন্টিখাব অলামনা হায়খি, অকমালনা মেচ অদুদা লোগো অনী য়াওবা ফুরিৎ লিৎখি। লোগো অমদি কম্পিটিসন রুলগী মখাদা অয়াবা ফংলবা লোগোনি।

পাকিস্তান টিম অসি ঙরাং ন্যুজিলেন্দগীদমক খোঙশানখ্রে। ন্যুজিলেন্দদা পাকিস্তাননা টি ২০ মেচ অহুম শান্নগনি অমসুং ৱান দে গেম অহুম অমসু শান্নগনি। অকমাল অসি টি ২০ স্কাদকী শরুক অমা ওইরিবনি। অকমাল অসি হন্দক্তা ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা টি ২০ সেরিজদা নেসনল টিমগীদমক খনগৎখিদে। মহাকপু খনগৎখিদবগী মরমদি দোমেষ্টিক মেচ অমদা লুদবা লমচৎ চৎখিবদগী খনখিদবনি। তুংদা পুলিসনা মহাক্কী কেস অদুদা অয়াবা পীখিবদগী পি সি বিনা টিমগীদমক খনগৎখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা অহানবা ও দি আইগী এলেভেন লাউথোকখ্রে, অয়াঙবা বোল লংবদা মিৎয়েং থল্লি



পার্থ, জন্যুৱারি ১১ ঃ
ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেচ মঙাগী সেরিজগী হয়েং শান্নগদবা অহানবা ও দি আই মেচকীদমক মখোয়গী টিম লাউথোকখিবগা লোয়ননা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়ন জোইল পেরিস অমদি ভিক্তোরিয়ন পেসমেন স্কোট্ট বোলেন্দ অনীনা মখোয়গী হোম ক্রাউদকী মমাঙদা মশাগী ইন্টরনেসনেল দেবু শেমজরগনি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা লেফ্ট অর্মর পেরিসনা মহাক্কী টিমগী প্লেয়র মিটচেল জোন্সননা পোথাখ্রবা অমসুং মিটচেল ষ্টারকনা অশোকপা লৈবদগী টিমদা হল্লকপা ঙমখিদবদগী ওষ্ট্রেলিয়া স্কাদকী ফাষ্ট ট্রেক ওইখি। সেলেক্সন কম্মিটিনা বোলেন্দবুসু টিমগীদমক মথৌ পাঙথোক্নবা খনগৎখি। বোলেন্দনা লাক্লিবা সম্মরদগী ওষ্ট্রেলিয়ন টেষ্ট টিমদা য়াওদুনা শান্নবা হৌরগনি।

পার্থ স্কোর্চরসকীদমক শৌন মার্শনা মেচ মঙা শান্নখিবদা রন ২১৮ লৌদুনা ষ্ট্রাইক রেট ১২৮.২৪ অমদি এভরেজদা ৭২.৬৭ ওইখ্রবসু ওষ্ট্রেলিয়ন টিমদা হল্লকপা ঙমখিদ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াগী বেট্টিং লাইনদা লৈরম্বা মাইকেল ক্লার্কনা পোথাখিবদগী হাংদুনা লৈরিবা মফম অদু জোর্জ বেইলিনা মেনশিনখি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবা মখোয়গী টিম এলেভেনগী মমিং লাউথোকপা লৈত্রি। অদুমকপু মোহম্মেদ শামিনা শোকপনা মরম ওইদুনা টিমদগী লৌথোকখিবদগী অনকেপ পেসমেন বরিন্দর সরন্না মহাক্কী ইন্টরনেসনেল দেবু শেল্লবা য়ারি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎকদবা টুরদা বোলর মোহম্মেদ শামি অশোকপনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না বি সি সি আইগী মেদিকেল টিম্না কনফার্ম তৌখি। থাংজ নুমীৎতা শামিনা মহাক্কী ওইথংবা হামষ্ট্রিংদা গ্রেদ টু ইঞ্জুরি লৈরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। অশোকপা অসিনা মরম ওইদুনা বেঙ্গলগী পেসর অসিনা থা ৪ দগী ৬ ফাওবা এক্টিব ক্রিকেট শান্নবা ঙমখিরোইসু হায়রি।

চৈরক অসিদা মোহম্মেদ শামিগী মহুত্তা ভুবনেশ্বর কুমারবু হাপখ্রে। মমাঙদা শামিনা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া এলেবেনগা শান্নখিবা মেচকী মাঙওইননা প্রেক্টিস তৌবদা মহাক্কী হামষ্ট্রিং অদু শোকখি। মেচ অদু ইনিদয়ানা য়াম্না লায়না মায় পাকখি। মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা শামিনা বোল লংবা ঙমখিদে।

গুজরাটকী পেসর জাস্প্রিট বুমরাহবু ইন্দিয়া সেরিজগী ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা অসিদা ষ্টেন্দ-বাই ওইনা বি সি সি আইনা হাপখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না বুমরাহবু মোহম্মেদ শামিগী মহুৎতা খনখি, অদুমকপু ইন্দিয়ন ক্রিকেট বোর্দনা ভুবিবুসু খনগৎখি।

কুমজা ২০১৫ গী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা আই সি সি ২০১৫ ৱর্ল্ড কপতা শামিসু শরুক য়াখি। থা ৮ গী মমাঙদা শামিনা মহাক্কী খুকউ সর্জরি তৌখি। শামিগী অশোকপা অসিনা ইনিদয়ন টিমদা অচৌবা চম্মনবা অমা মায়োক্নখিবগা লোয়ননা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বোলর অমা টিমদা য়াওররোইদবদা নীংহন্নবসু লৈরি। শামিনা হন্দক্তা বেঙ্গলগীদমক ভিজয় হজারে ট্রোফিদা শান্নখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেভেন অদুদি দেমিদ ৱর্নর, অরোন ফিনচ, ষ্টেভ স্মিথ (কেপ্তেন), জোর্জ বেইলি, গ্লেন মেক্সৱেল, মিটচেল মার্শ, মেথিয়ু ৱাদ (ৱিকেট কিপ্পর), জেমস ফাউলকনর, জোইল পেরিস, স্কোট্ট বোলেন্দ জোশ হাজলৱুদনি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজনা টি ২০ আইগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান্দা লৈখ্রে



ওকলেন্দ, জন্যুৱারি ১১ ঃ
মফম অসিগী ইদেন পার্কতা শান্নখিবা অনীশুবা টি ২০ ইন্টরনেসনেলদা ন্যুজিলেন্দনা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট ৯ দা থাংজ নুমিৎতা মায়থীবা পীখিবা অদুনা ৱেষ্ট ইনিদজনা আই সি সি টুয়েন্টি ২০ ইন্টরনেসনেল (টি ২০ আই) রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান স্পোটতা লৈবা ঙমখ্রে।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা অপূনবা পোইন্ট ১১৮.৩৬ ফংদুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী মকোক্তা কাখৎপা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা অনীশুবা মফমদা লৈখিদুনা শ্রীলঙ্কাদগী দেসিমেল পোইন্ট খরখক্তমক হেনখি।

ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা টি ২০ আই সেরিজ শান্নবা হৌখিবা মতমদা শ্রীলঙ্কানা পোইন্ট ৭ হেন্দুনা অনীশুবা মফমদা লৈখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মমাঙদা লৈখি। অদুম ওইনমক শ্রীলঙ্কানা ন্যুজিলেন্দগা শান্নখিবা মখোয়গী মেচ অনী মায়থীখিবদগী রেঙ্কিংদা তাথরক্তুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

চৈরক অসিদা ইংলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, ন্যুজিলেন্দ অমসুং পাকিস্তাননা মথংশিৎনা মরিশুবা, মঙাশুবা, তরুকশুবা অমদি তরেৎশুবা মফমদা লৈখি।

কুমজা ২০১৪ দা বংলাদেশতা ৱর্ল্ড টি ২০ পাঙথোকখিবা মতম অদুদগী ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়না শান্নখিবা গেম নিপানগী মনুংদা মরি মায় পাকখি। অমরোমদা শ্রীলঙ্কানা মতম অদুদা মেচ তরুক শান্নখিবদা মেচ মঙা মায়থীখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা গেম অসিগী অতোপ্পা ফোর্মেট অনীদা পার্ফোমেন্সশিং ফগৎনা থম্নবা শান্নখি অমদি টেষ্ট অমসুং ও দি আইদা মথংশিৎনা নিপান অমদি মাপন শুবা মফমদা লৈখি।

# মণিপুরগী সব জুনিয়র গার্লস নেসনেল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১১ ঃ
উরিষানা য়ূম্বু ওইদুনা কটক্তা থা অসিগী ১৭ তগী ফেব্রুৱারি ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৫-১৬ তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) না লাউথোকখ্রে।

মণিপুর টিম্বু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরুনবগীদমক খনগৎখ্রবা মেম্বরশিং অদুদি গোল কিপরদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই ঈ দি এফ এ) গী এস ঐচ মোনিকা দেবী, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) গী এন খুসি অমসুং আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এ প্রোমিলা দেবীনি। টিম অসিগী দিফেন্দরগী থৌ পুনবা খনগৎখ্রবা প্লেয়রশিং অদুনা আই ঈ দি এফ এগী পি ঐচ নিরমলা দেবী, আই দব্লিয়ু দি এফ এগী ৱাই পাকপী দেবী, আই ঈ দি এফ এগী এস সিলাকসি দেবী, আই দব্লিয়ু দি এফ এগী ৱাই সরিতা দেবী, আই ঈ দি এফ এগী দব্লিয়ু মনাও দেবী অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন ককচিং (দি এস এ, ককচিং) গী য়ু পুস্পরানি চনুনি।

মিদফিল্ডরগীদমক খনগৎখ্রবা প্লেয়রশিং অদুনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী টি ঐচ ক্রিটিনা দেবী, আই ঈ দি এফ এগী ৱাই থাইলেন্দ দেবী, আই ঈ দি এফ এগী দব্লিয়ু কানচন দেবী, আই ঈ দি এফ এগী এল সুরবালা দেবী, আই ঈ দি এফ এগী ও লানঙন্বী চনু, আই ঈ দি এফ এগী টি ঐচ মার্টিনা দেবী, আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এল রোসিবিনা দেবী অমদি আই দব্লিয়ু দি এফ এগী ৱাই সুসিত্রা দেবীনি।

টিম অসিগী ফোরৱার্দ লাইন্দা শান্নগদৌরিবা প্লেয়রশিং অদুনা দি এস এ ককচিংগী এন প্রিয়াঙ্কা দেবী, আই ঈ দি এফ এগী কে ঐচ নিরমালা দেবী অমসুং আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এল বেবিদোলি দেবীনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১২ দগী মখা তাবা ত্রেনিংগীদমক অয়ূক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা নুংতিগী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ত্রেনিং কিটসকা লোয়ননা লাক্তুনা টিম কোচতা রিপোর্ট তৌরগদবনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ মরিসু পীশিল্লগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী সেক্রেটরি জেনরেলনা থোক্লকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরগী টিম ওফিসিএলশিং হাপখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১১ ঃ
লাক্লিবা সন্তোস ট্রোফিগীদমক শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ওফিসিএলশিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না হাপখ্রে।

মণিপুর টিমগী ওফিসিএল ওইনা হাপখ্রবশিং অদুদি এস অমুতোম্বী সিংহবু মেনেজর, ধোনেল সিংহবুনা কোচ অমসুং পুথিবা মৈতৈনা গোল কিপর কোচনি হায়না এসোসিএশন অসিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# পৱরলিফ্টর ননাওবু হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১১ ঃ
চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারি ৪ দগী ৯ ফাওবা ঝরখণ্ডগী জমসেদপুরদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সুব্রতা ক্লাসিক ইন্টরনেসনেল অমসুং নেসনেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌরক্তুনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী মায় পুরকখ্রবা সোরোকখাইবম ননাও (মানরৈ) বু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি মহাক্কী পোক্নফম লমদম ৱাংজিং চেরাপুরদা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মালেমগী লৈবাক মঙা - ইরান, অফঘানিষ্টান, আরব, কাজাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়ানা শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা সোরোকখাইবম ননাওনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা কেজি ৮৪ গী কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল অহুম (ইন্টরনেসনেল), শিলভর মেদল অনী অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমা (নেসনেল) পূন্না মেদল তরুক লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী মায় পুরকপা ঙমখি।

হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অদু য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লমদিং চেরাপুর অমসুং চেরাপুর নিশা অপূনবা নুপী লূপ অনীনা খূৎশম্নদুনা শিনখিবনি। ওকপগী থৌরমদুদা গোল্ড মেদলিষ্ট ননাওদা নত্তনা মহাক্কী ওজা ঈ ইনাওবীসু ওকখি।

থৌরম অদুদা লমদম অদুগী জিলা পরিষদকী নোমিনি ওইরিবা এম দি জানব খান অমসুং সোসিএল ৱার্কর কয়ানা শরুক য়াদুনা ননাও অমদি মহাক্কী ওজাবু পূক্নিং থৌগৎতুনা খুদোল কয়াসু তমখি।

পনবা য়াই, সোরোকখাইবম ননাও ৱাংজিং লমদিং চেরাপুরদা লৈবা এস ইঙোচা অমদি এস ওংবী বিনা অনীগী অহুমশুবী মচানুপীনি। মহাক হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা পঞ্জাবতা পাঙথোকখিবা নেসনেল পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অমসুং মণিপুরদা পাঙথোকখিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌখি হায়রি।

# ত্রাইএল কম কোচিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১১ ঃ লাক্লিবা সন্তোস ট্রোফি ২০১৫-১৬ কীদমক মণিপুর ষ্টেট টিম শেম্নবগী ত্রাইএল কম কোচিং প্রোগ্রামগীদমক শান্নরোয় তরেৎ অমগসু মখা তানা খনগৎখ্রে।

সন্তোস ট্রোফিগী টিম শেম্নবগী পাঙথোক্কদবা ত্রাইএল কম কোচিং প্রোগ্রামগীদমক মখা তানা খনগৎখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি নেরোকা এফ সিগী কে ঐচ জিবোন সিংহ (এফ সি জালেন), গুৱাহাটি এফ সিগী দেবিদ ঙাইতে (এফ সি জালেন), সস্পেন্সন্দা লৈরিবা সৈবোই হাওকিপ (এফ সি জালেন), দি এস কে সিবাজিয়ান্স এফ সিগী ও মিলন সিংহ (এ আই এম), নেরোকা এফ সিগী সৈখোহাও তুবোই (এফ সি জালেন), মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী এন প্রিতম সিংহ (এ আই এম) অমসুং ক্রুগপুগী এস হেনরি গাংতে (জেদ এফ সি) নি।

# থা ১ চুপ্পা চথুরকখিবা চহী ১৪ মখাগী ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১১ ঃ
ফুটবোল লভর এসোসিএশন য়ৌরবুংনা শিন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১১ দগী য়ৌরবুংদা চথুরকখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাশিংগী ওইবা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙরাং য়ৌরবুং স্কুলগী গ্রাউন্দদা লোইশিনখ্রে।

পূন্না শান্নরোয় ৭৫ না শরুক য়াদুনা থা ১ চুপ্পা চথুরকখিবা ফটবোল দিভলপমেন্ট কোচিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৪৫ আসাম রাইফলস চীংঙারেল পোষ্টকী মেজর এস জিটেশ্বর, টি নাওবা, ফুটবোল কোচ এম রতন কুমার, রতন এলাংবম, জয় কবুই, এল নন্দকুমার অমসুং পি সুনিলনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা চহী ৮ মখা, চহী ১০ মখা, চহী ১২ অমসুং চহী ১৪ মখাদা লৈবা নুপামচা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা শক্লাইরবা ফুটবোলগী কোচশিংদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল প্লেয়র ওইরম্বা ফুটবোল্লর কয়াসু শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিংদা তাকপী তম্বীখি।

# ধনাৱাদেদা থাগৎপা ফোঙদোক্ন রকপা লেপত্রি, স্কোলারশিপ পীনরি

মুম্বাই, জন্যুৱারি ১১ ঃ
ক্রিকেট মশান্নদা রন মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৌদুনা পুৱারীগী লাতম অমা হাংদোকপা ঙমখ্রবা মশাগী চহী ১৫ শুরবা প্রানভ ধনাৱাদেদা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সি এ) না চহী মঙাগী স্কোলারশিপ পীখ্রে।

ৱিকেটকিপ্পর অমদি বেচসমেন প্রানভনা বোল ৩২৩ দা রন ১০০৯ লৌখিবা মশক থোক্লবা পার্ফোর্মেন্স অদুগীদমক মহাকপু মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সি এ) না থা খুদিংগী লুপা লিশিং তরা পীরগনি। মসি চহী ৫ চুপ্না পীগদবনি। প্রানভতা চহী মঙাগী ওইনা পীগদৌরিবা স্কোলারশিপ অসি কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারি থাদগী হৌরগা কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বর ফাওবনি। মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসন্না হায়রিবা মতম অসিদা প্রানভকী শান্নবগী অমদি মহৈ মশিংগী লমদা য়েংশিনগনি হায়রি।

প্রানভনা মহাক্কী মশক থোক্লবা রেকোর্দঅদু থমখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী য়াম্লবা মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্নরকপা লেপত্রি। প্রানভনা ক্রিকেটকী পুৱারী অমা শেমখিবা মতুং ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী বেট্টিং মেষ্ট্রো ক্রিকেটর সচিন টেন্দুলকরনা মহাক মশামক্কী ওটোগ্রাফ য়াওবা ক্রিকেট বেট অদু মুম্বাইগী অঙকপা অঙাং খঙনরবা প্রানভ ধনৱাদেদা খুদোল তমখি।

প্রানভকী মশক থোকপা শিন্থা হেক পাঙথোকখ্রবা মতুং থাগৎপা ফোঙদোকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা অহানবা ওইখিবা সচিননা মশামক্কী বেট অদু খুৎয়েক পীদুনা প্রানভতা খুৎশিন্নখি। পনবা য়াই, প্রানভনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা শান্নখিবা ইন্নিংসতা রন ১০০৯ লৌদুনা মশান্না অসিদা শান্নরোয় অমনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বা ওইদুনা রেকোর্দ থমখিবনি।

BRAINOBRAIN
Lamlong/ Kwakeithel/ Nagamapal
For Kids of age 5 to 14 yrs.
ADMISSION OPEN
Class only on Sundays
Class Start 17 Jan 2016
Learn Advance Abacus Method & Neurobics on Sunday to Improve Memory Power, Learning Ability & Mathematical Skills.
FOR REGISTRATION CONTACT
9615412398/ 7308915586
* Wanted 5 Lady Faculty & 2 Rhyme Teachers with a minimum experience of one year
Qualification : Graduate with fluency in English
Please Submit your Resume on or before 14-01-2016
Please visit the office only on Sundays at their respective centres or visit BOB Nagamapal Soram Leirak between 11:30 a.m. to 7:30 p.m.
HL-P/4033/8/01-22/01

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact : Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435
HL-B/2879/6/01-5/Feb